# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-07-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি। কাংপোকপী জিলাগা কে. লাংলোং খুলগী চিংশাং পরেংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা করবাইন অমা, লোকেল মেট টুয়েল্ব বোর গন অনি, পোইন্ট থ্রি নোট থ্রিগী মেগজিন অমা, ঐচ.ই. থারতি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অমা, স্মোগ গ্রেনেদ অনি, ইষ্টন গ্রেনেদ অমা, বাওফেন রেদিও সেট অমা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ২১ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী সাইকোট খুলগী ৱাইসি চিংদগীসু কন্ত্রিমেট সিঙ্গল বেরেল গন অমা, পম্পী হায়না খঙনবা ইমপ্রোভাইজ হেভি মোটার অহুম সভের্ন্টি এম.এমগী লোকেল মেট লাইফ কারটিজ বোর মরি য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম অমসুং নেসনেল হায়ৱে টু লম্বীদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৩৫৭, সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল য়ৌরকখ্রে। খুদোংথিবা থোকপা য়াবা মফমশিংদা মীকুপ নাহুমশিংনা ঙাক শেনদুনা লৈরি হায়রি।

**ফিসরি (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী ফিসরি বিভাগনা শিনদুনা ঙসি ২৪ রক শুবা নেসনেল ফিস ফামরস ডেগী থৌরম পাঙথোক্লগনি। লমফেলপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ ফিসরিদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা রাজ্য সরকারগী ফোরেষ্ট রুরেল দিবলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েটি রাজ অমসুং ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলসকী স্পিপসিএল চীফ সেক্রেটরি-এম.ঐচ. খাননা অথোইবা মীথুংলেন

ওহ্না শরুক য়াগনি।

থৌরম অদুদা মায় পাক্লবা ঙামীশিং অচম্বা খুদোলপোৎ তমদুনা পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা ইকায় খুমবা উৎকনি।

**নাগা (এল)ঃ** পাউমাই নাগা য়ুনিয়নন‌া পাউমাই নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন অমসুং পাউমাই নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগা খুৎশমরগা ওপরেসন ব্লু বার্ডকী ৩৭ শুবা নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইং কুমজা ১৯৮৭ কী জ্লাই ৯ দা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুবু নীংশিংদুনা লুপ অহুম অসিগী ওফিসতা মখোয়গী ফিরাল তঙ্খায় চিংথখি। নুমিদাংগী মতমদা খাবুং কারোংদা মৈরা থানদুনা অৱাবা ফোংদোকখি।

**মহোতসব (এল)ঃ** ৭৫ শুবা বন মহোতসব পালনগী শরুক অমা ওইনা এক পের মা কে নাম হায়বা থিমদা য়ুস্ফম ওইরগা চান্দেল জিলাগী নাথম ভিলেজতা চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজনন‌া শিনদুনা পাক শন্না উ চারা কয়া থাখ্রে।

থৌরমদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলাংবম রাজকুমার অমসুং দি.এফ.ও. চান্দেল শ্রী অভিজিৎ সিংহ, চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন, নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন-চান্দেল অমসুং রোয়েল রাইদরস চান্দেলন‌া শরুক য়াদুনা পাক শন্না উ চারা কয়ামরুম থাখি।

**মোদিঃ** লৈবাক অনিগী খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ঙরাং ওষ্ট্রিয়াগী ভিয়েনাদা থুংখ্রে। ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা ওষ্ট্রিয়াদা চৎপা চহি ৪১ গী মতুংদা মসিনা অহানবনি। মমাংদা, ইন্দিরা গান্ধিনা প্রধান মন্ত্রি ওইরিঙৈদা ইং কুমজা ১৯৮৩ দা লৈবাক অসিদা চৎখিবনি।

খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনি অসিগী মরি হেন্না ফগৎহনদুনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা মতেং পাংননবা ৱারী শান্নগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ওষ্ট্রিয়াদা চৎত্রিঙৈদা রাসিয়াগী মোস্কোদা চৎতুনা রাসিয়াগী রাস্ত্রপতি-ব্লাদিমি পুতিনগা ২২ শুবা ভারত অমদি রাসিয়াগী চহিগী মীফম পাঙথোক্কুনা লৈবাক অনি অসিগী মরী ফগৎহন্নবা ৱারী শান্নখি। লোয়ননা ইং ২০২৩০ ফাওবদা ভারত অমদি রাসিয়ানা বিল্লিয়ন দোল্লর ১০০ গী লল্লোন ইতিক তৌনবা য়ান্নখি। তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদসু লৈবাক অনি অসিনা পুন্না থবক তৌমীন্ননবা য়ান্ন চে সহি তৌনখি। মদুগী মনুংদা ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ, কারতোগ্রাফি, পোল্লর রিছার্স, ইনভেষ্টমেন্ট, ত্রেদ অমসুং ফারমা য়াওরি।

অমরোমদা, প্রসার ভারত্তি অমসুং রাসিয়াগী টি.ভি. নোবোসতি অনিগী মরক্তসু মতেং পাংননবা সহি তৌনখি।

**ফুটবোলঃ** স্পেন, য়ুরো কপ-২০২৪ গী ফাইনেল চংখ্রে। অরজেন্তিনানা কোপা আমেরিকাগী ফাইনেল চংবা ঙমখ্রে।

য়ুরো কপকী ওইনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা এলিয়েন্স এরিনাদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা স্পেননা ফ্রান্সপু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখিবনি।

কপ অসিগী অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা ঙসি অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১২ মখায় তাবা মতমদা জর্মনগী সিগনেল ইদুনা পার্কতা ইংলেন্দ অমসুং নেদরলেন্স শান্নগনি।

অমরোমদা, কোপা আমেরিকাগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অরজেন্টিনানা কনোদাবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখ্রে। অনিশুবা সেমি ফাইনেল হয়েং অয়ুক পুং ৫ মখায়দা উরুগে অমসুং কলম্বীয়া লম্বা তৌনগনি।

**ক্রিকেটঃ** শকাইরবা ক্রিকেট শান্নরোই-গৌতম গমভিরনা ভারতকী ক্রিকেট

টিমগী কোচ ওইরগনি।

বোর্ড ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি.সি.সি.আই) না মহাকপু ঙরাং ভারতকী সেনিয়ার মেন্স টিমগী হেদ কোচ ওইনা হাপ্লকপনি। গৌতম গমভির ইং ২০১১ দা ভারতনা আই.সি.সি. ৱার্ল্ড কপ লৌখিবা অদুদা চাউনা থৌদাং লৌখিবা শান্নরোইনি। মহাকপু ভারতকী অনৌবা হেদ কোচ ওইরগনি হায়না বি.সি.সি.আইগী সেক্রেটরি-জৈ সাহনা ঙরাং সোসিএল মিদিয়াদা ফোংদোরকখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেলাইনদা জিরিবামগী লানফম, মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা ইশু তৌখ্রে হায়না সব হেদ লাইন পীরি। মেন হেদলাইনদা চীফ সেক্রেটরি, সেক্যুরিতি এদভাইজর, দি.জি.পি, কম্মিস্নার (হোম) জিরিবামগী দি.সি. অমসুং এস.পিদগী রিপোর্ট কৌখ্রে হায়না ফোংলি।

কুকি মিলিটেন্ট অহুম এন.আই.এনা ফারে। স্পিসিএল ওপরেসনদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে হায়বা হেদলাইন অসিনা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইনি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ইরাং লোয়শিন্নবা পাম্বে অমগা লোয়ননা মনিপুরদা লাক্কনি হায়না বি.জে.পিগী ইন চার্জনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন অসি বেন্নর হেদলাইনি। মনিপুরদা খোংজাই লাল, মোরেদা দুকান অমা মৈ থাখ্রে, কাংপোকপীদা নুমিদাংদা রেল্লি চৎখ্রে, জিরিবামদা নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন অসিগী সব হেদলাইন পীরি। মেন হেদলাইনদনা ওপরেসনদা কুকি অহুম ফারবা মতুং এন.আই.এদা শিন্নখ্রে হায়না ফোংলি। কুকি নুপীশিংনা নোংমৈ মুন্নবা হৌরকপা ইরাং নমথবদা নুপী মঙা শোক্লে। কুকিশিংনা নমা তাবা

মফমশিংদা কুকি ইনপিনা টৌটেল সটদাডন লাউথোকখ্রে হায়না ফোংলি।

এন.আই.এনা কুকি মিলিটেন্ট অহুম ফাবগী পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, মনিপুরি এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং নহারোলগী থৌদাংদা ফোংবা থেংনরে।

মনিপুর ন্যুজগী অহানবা হেদলাইন অসি-কংগ্রেসকী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা পোলিটিকেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিব সেট্টলমেন্ট পুরক্কনি হায়খিবা ৱাফম চাউথোরক্কদৌরি। রাহুলনা মনিপুরগী ইশু পোলিতিসাইজ তৌনবা হোৎনরে হায়না রবি শঙ্কর প্রসাদনা ফোংদোকখিবা ৱাফম বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মনিপুরগী ইরাং, ষ্টেকহোল্ডরশিংনদি দাইলোগ চথদুনা শান্তি হনজিলহনবা পাল্লি হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন পীরি। মনিপুরগী গভনরনা মিনিস্তর বসন্তকুমারদা এদুকেসনগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া হংখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইনি।

সেলটর হোমগী ইনমেটশিং এস.দি.ও. ওফিসতা থোমজিনখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি সঙাই এক্সপ্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংবা থেংনরে।

দি.এম.য়ু থিংজিল্লগা মহৈরোইশিং চারা হেনবা হৌখ্রে, লান লাকশিন্নবা লাকখিবা আর.এ.এফ. অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিং মহৈরোইশিং নমথবদা ওইনা শিজিন্নরে হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরে।

গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন অসি রাসিয়াগী রাস্ত্রপতি-ব্লাদিমি পুতিননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিদা রাসিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা ইকায় খুমবা উৎখ্রে হায়না ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা মনিপুরগী রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেনা এদুকেসন মন্ত্রি, চীফ সেক্রেটরি অমসুং ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ভি.সিগা উন্নদুনা অথুবা মতমদা য়ুনিভরসিতি অসিগী ভি.সি. হাপবা খঙহনখ্রে হায়না হেদলাইন পীরি।

হিল হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-৩৭ শুবা ওইনামগী থৌদোক নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না অহনাবা হেদলাইন পীরি।